# এডিটোরিয়েল

## ঈচাও থেংননবা তাক্স ফোর্স

ঈশিং ঈচাও নৎত্রগা ঈকং থোক্কুনা অৱা অনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরিবসি কনানসু থীংবা ঙমলোই। মহৌশাগী খোঙচৎনা ওইহল্লকপা ঙাক্তনি। তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না চেকশিনবা, মাহীশাগী খল কায়দনা থম্বা, পাৎ-তুরেল, উমং ৱামং য়োকখৎপা মাংহন্দবা হায়বসিদি তৌদবা য়াদবা ঙাক্তনি। মসিনা ৱাটর মেনেজমেন্টতা চাওনা মতেং ওইগদৌরিবনি। হৌজিক মালেমগী ওইনা ক্লাইমেত চেঞ্জ- অইং অশাদা চাওনা অহোংবা লাক্কুনা মহৌশাগী খোঙচৎতা শিংনরক্লিবসি থেংননবা কন্না হোৎনেরি। লৈবাক ময়ামগী অখঙ-অহৈ কয়া কোক চুংশিন্নদুনা ৱা তান্নরি। চপ চাবা মালেমগী ওইনা ফোংনা লাউথোকপা লৈত্রবসু অকোইবগী ফিভম ঙাক- শেনবা, য়োকখৎপা হায়বসিদি তৌদবা য়াদ্রবা অমনি হায়না লৌনরি। মসিদা কনানসু য়ানিংদবা লৈরোই। লুরিবদি ঐখোয়গী অকোইবগী ফিভম ঙাক শেনবা- য়োকখৎপা হায়বসিদা করি করি দরকার ওইবগে, চিননা পংলাউ লাউবনা য়ারগদ্রা হায়বসিনি। অকোইবগী ফিভম কায়হল্লিবা শোকহনলিবসি কনাননো, ঙাক শেনগদৌরিবনা কনানো হায়বসিসু খঙমিন্নবা তাই।

চিংগী লম ওইরবসু মণিপুর চহি খুদিংগী অকনবা নোংজুনা ঈচাও য়াওনা মখল কায়াগী অৱা- চৈথেং ফংলি। চিং নিংখায়দুনা লম্বী থোং, লন-থুম মাংহনতাকহনবতা নত্তনা মীশি মীনা কয়া থোকলি। ঈকংদগী ঈচাওনা হেন্না তোয়না থেংনরক্লি। অখং অহৈশিংনা পীবা রিপোর্টকী মতুংইন্না নোংজুগী চাংদা অহেনবদি ওইদে য়ান্না ৱাৎপসু ওইদে চাং অমদা অদুমক চুখি, কুমসিসু চুগনি হায়রি। কা হেন্না নোং চুদ্রবসু ঈচাও তোয়না থোকলিবসি ঐখোয়না খুজিল- থৌরাং হৈতবা, তৌদবদগীনি হায়বা তাই। ঈশিং মাংহনদবা, য়োকপা অমদি শিজিন্নবগী থৌশিল লৈরবসু মদু নীংথিনা থবক্তা ওহ্নোক্তবনা অৱাবসি মায়োক্লবনি। চহি খরগী মমাংদা ইরিগেসন এন্দ ফ্লদ কন্ট্রোল দিপার্টমেন্টগী মিনিষ্টর ইনর্চাজ ওইরম্বা অমনা হায়খিব নোং চুবা লেপ্লবা, চুরক্ত্রবা মতমদা ঈচাও থিংবা নত্তনা করিসু উপায় লৈতে হায়বদু নিংশিংলকই। মসিনা তাকপদি ঈশিং মাংহন্দবা, য়োকপা অমদি শিজিন্নবগী থৌশিল লৈতে, লৈরবসু থবক ওইনা পাঙথোক্লবা হোৎনদে হায়বদু তাকপনি।

মমাং চহি ২০১৭ তা লমদম অসিদা ঈশিং ঈচাও ৪-৫ রক থোকখি, অমাং অতা মীশি মীনা কয়া নংখি। পোখোক চাথোক্কী চাংসু য়ান্না নেমখি। লৌমী কয়া খা-রাই খংদনা চেন্নখিবা পূন্নমক্কা খঙনখ্রবা উন্নখ্রবা ঙাক্তুনি। খুদোংথীবা অৱাবা কয়া অদুদগী খরা মখে ঙাকথোক্লবা সরকারগী মায়কৈদগী চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎনবা লাওথোকখি, থবক ওইনা পায়খৎপসু হৌখি। মপুং ফাদবালোয়শিনবা ঙমহৌদবনা অতোপ্পা অমনি। হোৎনখিবা অমদি তৌখিবা অদুগীদমকতি থাগৎফম থোকই। হৌজিক ঈচাওদগী ঙাকথোক্লবা (ফ্লড মেনেজমেন্ট) গীদমক ষ্টেট লেভেল তাক্স ফোর্স অমা হৌখিবা নিংথৌকাবা (মে. ৭) নুমিৎতা শেমখ্রে। থেংলবসু থেংনা তাক্স ফোর্স অমা শেমলকপসি অচুম্বা খোঙথাংনি। তৌইগুম্বসুং মসিগী রিপোর্ট থা অমগী মনূংদা পীখৎলক্লবা খঙহনখিবনা থা অমরোমদি ঙাইখিবা তারি। মখা তানা য়েংশিল্লিঙৈ, থবক ওইনা পায়খৎনবা হোৎনরিঙৈ, শেল থিরিঙৈ হন্দক চহি সিমদি হৌখ্রগনি। অদুনা কুমসিগী ওইনা থেংনরকপা য়াবা অৱাবা খুদোং চাদবশিংদগী ঙাকথোক্লবা খুদক্কি ওইবা থৌশিল খরদি তঙায় ফদনা পায়খৎকদবনি। নৌনা শেমখিবা ফ্লড মেনেজমেন্ট, স্পিপসিএল তাক্স ফোর্সকী মথৌদি তোয়না ঈচাও থোকলিবসিগী মরম য়েংশিনবা অমদি হন্থহন্নবা পোরম য়াৎতুনা পীবা, তোঙান তোঙানবা লাইন দিপার্টমেন্ট, এজেন্সী, ষ্টেক হোল্ডরশিং তাশিন্দুনা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎনবা লমবী তাকপা অসিনচিংবনি। হায়রিবা অসি তরাই-তরাইবা নত্তে। হেক্তা পংতৌ তৌশিনবা পংহায় হায়জিনবসু য়ারোই। অদুননি কুমসিগীদি কান্নগদবা মান্দ্রে অদুনা খুদক্কি ওইনা থৌরাং পায়খৎকদবনি হায়নরিবসি।

হৌজিক কালেন থা লোয়গদৌরে, ইঙা-ইঙেন লাক্লগনি। মাহীশাদগী ইঙা-ইঙেল থা অনি অসি মপূং ওইনা নোংজু থানি হায়নৈ হৌজিক্তি ঙনখৎপা থেংথবসু য়াওরে। অদুনা মপূং ওইবা নোংজু হায়বদুদি য়ৌরক্ত্রি, য়ৌরক্কদৌরে, থোংজিন্দা লেপতুনা লৈরে। অসিগুম্বা তাঙ্গাদা ফ্লদ মেনেজমেন্ট টাক্স ফোর্স শেম্লগা থা অমা রিপোর্ট ঙাইরগা তৌগদবা থবক অদু কুমসিগী ওইনদি পকান কান্নগনি হায়বা থাজবা ঙমদবগী ফিভমদা লৈরি। মখা তারবকপগীদি খঙদ্রে। মরম অসিনা হৌজিক হৌজিক্কী ওইরিবা ফিভমদা তঙায়ফদনা তৌফম থোকপা খরদি তৌবা ঙন্নবা দরকার ওইবা মচাক মথুম মতমচানা ফংহন্নবা হোৎনফম থোকই। দিষ্ট্রিক্ট অমদি সব-দিভিজনেলগী থাক্তা মরী লৈনবশিংনা কুপ্না য়েংশিন্দুনা খুদোংথিবদগী খরদা ওইরবসু ঙাকথোক্লবা হোৎনসি। নোংজুগী চাং, তুরেলশিংগী ঈমায়, তোর্ব্বানগী লম্বী থোং নচিংবগী ফিভম নিংথিনা য়েংশিদুনা মতম পূন্নমক্তা মীকুপ নাহুম শিংনা লৈগদবনি। মীয়ামগী দরকার ওইবশিং ফংহন্নবা হোৎনগদবনি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### খুরাই অমদি খেত্রিগাও কেন্দ্রগী এম. এল. এ. অনীদা থমজবা

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

*মেগা স্কুল, তিনশিৎ চিংখোংদগী লমলেং বজার তাবা, তোপ অৱাং লৈকাইদগী জিনিমস ফাওবা, পোং-লমবী, অনী অসি খুরাই অমদি খেদ্রিগাও কেন্দ্রগী এম. এল. এ. অনীগী এরিয়ানি। লম্বী অনি অসি অসুক্কী মতিক হায়নিংঙাই লৈত্তনা ফত্তে। স্কুলগী অঙাংগী ভান চৎপা অনা অয়েক পুবদা খুদোং থিনিংঙাই ওইরে। ভারতকী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অৱাং ভারতকী ষ্টেটশিং চাওখৎত্রবদি ভারত চাওখৎপা য়ারোই, মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর এন. বিরেন্না ষ্টেটসিগী খুঙ্গং চাওখৎত্রবদি মণিপুর মোদেল ষ্টেট ওইবা য়ারোই হায়রি। হায়নিঙাই লৈত্তনা ফজবা ৱাফমনি। হৌজিক, হৌজিক লম্বী অনী অসি য়েংলুরগদি, প্রাইম মিনিষ্টর অমদি চিফ মিনিষ্টর অনীগী মরুওইবা ৱাফমশিং অসি এম.এল.এ. অনী অসিনা খংদবা ওইনা লৌবদা হায়স্মনবা ওইরোই খনজে। লোইননা ইকাই নিঙাইনি। ষ্টেটগী ফন্দগী শেমদ্রবসু, এম.এল.এ. ফন্দগী কোয়লাস থাদ্রবসু পোৎ-হোল ফাওবদি মেনশিনবা য়াবনি। এম.এল.এ. অনী অসিনা খনখিবা ৱাখন অসি, অহন-লম্মনশিংনা হায়নবা, নুঙাইবনা অৱাবা খংদে হায়বগী মওং মাল্লি।*

*লাক্লিবা ২০১৯ ইংদা এম.পি. ইলেকসন পাংথোক্কনি হায়নৈ, এম.এল.এ. অনী অসিনা স্কুলগী অঙাংগী গাড়ী অনা-অয়েক পুবদা লোইননা মাইগৈ অসোমগী প্রজাশিংগী খনবীরগা অথুবা মতমদা পোত-হোল ফাওবদং মেনশিনবা লোইননা লাক্লিবা ইলেকসনগী ভোৎ খরা ফংনবা হোৎনবীয়ু হায়না মেডিয়াগী থোংদা নিংশিংজরি।*

অদোমগী
থিংবাইজম ইতোবী সিংহ
তোপ অৱাং লৈকাই

# মালেমদা খ্বাইদগী তাংবা চেঙ্গুম

সৈলেবম বিহারি

পৃথীবিদা খ্বাইদগী তাংবা চেঙ্গুমসি ময়ান্না কেত্তরপিল্লর ফঙ্গস নৎত্রগা মশরুম হায়রিবা অসিনা ওইরি। বোটানিকেল নেমনা Cordyceps sinansis, ইংরাজিগী কমন লেঙ্গোইজদা Catarpiller musroom, টিবত্তনা Yartsa Gunbu (dbyar rTswa dGun 'Bu), চাইনাদনা Chongcao (Dong chong xia cao) অদুগা টিবেত্তানশিংনা য়ার্টসা গোনবু হায়না কৌরিবসিগী অর্থদি Summer-grass winter-worm হায়বদি কালেন থাদনা নাপী ওইবা নিংথম থাদনা তিল ওইবা হায়বনি।

হৌজিক চেঙ্গুম মখল অসিগী মরমদা হেন্না কুপ্না খংবিনিংবা 'সনা লৈবাক' খবরবু চাং নাইনা পাবিরিবশিংগী অপামবগী মতুং ইন্না কেজিদা লুপা লাক্ষ কুন (ইন্তরনেসনেল মাকেত্তা) হেল্লিবা চেঙ্গুম মখল অসিগী মচা খায়না ইজরগে।

কেত্তরপিল্লর মশরুম মেডিসিনেল মশরুন্নি খুদম ওইনা Ganoderma lusidum অমসুং Ganoderma lutescens নচিংবা লৈরিবা চেঙ্গুম পূন্নমক্তগী খ্বাইদগী মকোক্তা লৈবা ইতোপ তোপ্পা মখলগী চেঙ্গুন্নি। চেঙ্গুম মখল অসি মহৌশাগী খূৎশেম ওইনা টিবেটান ঔটোনোমস রিজন খক্তদা হৌবা মখলগী চেঙ্গুন্নি।

চেঙ্গুম মখল অসি কুরাক মানবা তিল মখল অমনা Thitarodes (Hepialus) হায়না খংনবা কেগে তিল হায়রপ মানবনা লারভা (হনচাক্কুম্ব) কোকই। লারভা অদু লৈবাক মনুংদা চংখি। মখোয়না নিংথম থাদা নাপিগী মরু (লৈবাক মনুংদা লৈবা মরু) চাদুনা নিংথম থাগী অইং-মতম লেল্লি। নিংথম




Thitarodes

থা লোইরকপা মার্চ-এপ্রিলদা লার্ভা অদুগী মচিন্দা নাপি মানবা চেঙ্গুম হৌরক্কনি। মদুবুনি কেত্তরপিলর মশরুম হায়রিবসি।

থিটারোদস হায়রিবা লার্ভা অদুনা লৈনুংদা নাপি মরু চাদুনা মতম লেল্লিঙৈ মতাংদা এস্কোমাইসেৎ কাহলুপকি ফঙ্গস মখল অমনা লার্ভা অদুগী অমাংথোং (এনস) তা চংখ্রগা মথং মথং শিথহন্দুনা মচিনলোমদা থোরক্কনি। মতম অদুদা তিল (লার্ভা) অদু ঙৌরৈনরম্বদগী ৱাওথাংনরক্কনি। মথংদা মচিন্দা নাপিগুন্না লৈবাক মথক্তা নাপি মরক্তা নাপি মান্না হৌরক্কনি। মতম অদুদা তিল অদু শিরগনি অদুগা তিল অদুসু মশা অপূম্বা চেঙ্গুম ওল্লবনি।

(Thitarodes তিলবু মচা ওইনা কোকপা কুরাক মানবা তিল)

কোর্ডিসেপস সিনেনসিস হায়রিবা চেঙ্গুম অসিগী মরমদা লাক্লিবা তাং ১২ সেকেন্দ সেত্তরদে ছুটি নুমিত্তগী হৌগদবা ওইষ্টর মশরুম




Cordyceps Sinensis

থাবা অমসুং চেঙ্গুমরু শেম্বগী ত্রেইনিংদা চরুয়েন থাবগা লোইননা য়ুনিভরসেল মশরুম ক্লব থাংমৈবন্দা পাংথোক্কদৌরিবা ত্রেইনিংদসু তমগনি। ত্রেইনিংদা ইন্টরনেসনেল মার্কেত্তা কেজিদা লুপা লাক্ষ কুন হেনবা কোর্ডিসেপস সিনেনসিস মালেমগী মফম কদায়দা হৌবা ভারতকী মনুংদা মসিগী লৈবা য়োনবগী মফম কদাইদা লৈবা অদুগা চেঙ্গুম মখল অমা করম তৌনা থাবা অসিনচিংবা নুমিৎ হুন্নিগী ত্রেইনিং অসিদা তমগনি। ত্রেইনিং য়াওদ্রবসু অইবগা মিনিত ১০ মুক ৱারি শান্নবদা অদোম য়ূমদা হনখিবগা চেঙ্গুম থাবা ঙমগনি। ত্রেইনিংদদি শেলসু তিংগনি মতমসু নুমিৎ হুন্নি মাংগনি। তৌবতবু মিনিট ১০ ৱারি শান্নবগা নুমিৎ হুন্নি ত্রেইনিং য়াওবগা খেৎনবা খরদি লৈগনি।

কোর্ডিসেপস সিনেনসিসনা মমল অসুক য়ান্না তাংলিবসিগী মরম কয়ামরুম লৈ। মরম অমদি মালেমগী মফম অমদগী হেন্না হৌদবা। লায়েংবা ঙমদবা নৎত্রগা লায়েংবদা ৱাবা অনাবগীদমক্তা মালেমগী চাওখৎলবা লৈবাকশিংনা থিনরকপা মরুওইনা কেন্সর অমসুং এইডসনচিংবা অনাবশিংদা পিজবদা অনাবা অদুগী ইম্যুন সিষ্টেম কনখৎহন্দুনা তপ্না তপ্না মথন্ত ফখি নৎত্রগা নারিবা চাং অদু হেনগৎহন্দনা হান্নগী চাং অদুদা অদুম লৈহল্লি। তসেংনমক কোডিসেপস সিনেনসিস অনাবগী হিদাকমক্তি নত্তবা অনাবগী মসা কনখৎনবা শিদ-হিদাক্লি। মরম অসিদগীনি চেঙ্গুম মখল অসিনা মমল তাংলিবা।

অরোইবদা অইবনা পীজগদবা পাওজেলদি অনাবসু নাদবসু য়ূমদা ইশানা থাবা য়াবা ওইষ্টর মশরুম অসি ইশা -ইশাগী য়ূমদা চয়োল অমদা অমুক অরীরক থাবিদুনা চাং নাইনা চাদুনা ইসাগী ইমুং মনুংগী মীওই খুদিংমকপু মশা ফনবা হোৎনবিয়ু। ঐখোয়না থানরিবা চেঙ্গুমসি কেত্তরপিল্লর মশরুমগুন্না ন্যুত্রেটিভ ভেল্যু য়ৌদ্রবসু হকচাংদা কান্নবা মচল কয়ামরুম য়াওরিবনি। ৱা তান্ননবগীদমক অইবগা উন্নবিবা য়াগনি।

# অহিংবা জীবশিংবু হারগীদমক শীজিন্নবা

নবকিশ্বর ঙাঙবম

বিজ্ঞাননা চাউখৎলকপগা লোয়ননা পাম্বীশিংনা মতৌ করম্না মচিঞ্জাক চাবগে হায়বদু খঙবা ঙম্লে। লৈবাক লৈহাওদা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং অসি মখোয়না চাবা ঙম্বা অমদি ঙমদবা মওং অনিমক্তা লৈ। লৈবাক্তা শাইদাংদুনা লৈবা মিৎনা উবা ঙমদবা পীক্লবা জীব চা লিশিং কয়ানা মচিঞ্জাকশিং অসিবু মওং অমদগী অমদা ওহ্নোক ওনশিন তৌহল্লি। মসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা পাম্বীশিংনা মচিঞ্জাক চাজবা ফংই। মখোয়শিং অসিগী মনুংদগী কান্নগদবা মখলগী বেক্তঃরিয়া অমদি ফঞ্জাইনচিংবা খর য়োক্লগা পাম্বীশিংগী মচিঞ্জাক শুংনবা হার ওইনা শীজিন্নরে। মসিবু ইংরাজিদা "বাইও ফার্টিলাইজর" (থৱায় পানবা হার) হায়না খঙনৈ। বাইও ফার্টিলাইজরশিং অসি অচোৎপা পাউদর নত্রগা মহী ওইনা ফংবা য়াই। থৱায় পানবা জীবশিং ওইবা মরম্না মখোয় অসি য়ুরিয়াগুম্বা ময়াক কনবা হার অমসুং হীদাক লাংথকশিংগা মতম অমত্তদা পুন্না শীজিনমিন্নবদি য়াদে।

অসিগুম্বা মথ্বাই পানবা জীবশিং অসিবু হারগীদমক্ শীজিন্নবনা নাইট্রোজেন অমসুং ফোসফরসনচিংবা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং ফংবগী চাং য়াম্না হেনগৎহল্লি। চাদা ২৫দগী ৩০ ফাওবগী চাংদা কেমিকেল হায়শিংগী অৱাৎপা মেনখৎপা ঙম্মী। মহৈ মরোংশিংগী চাথোক চাদা ১০দগী ৪০ ফাওবগী চাংদা হেনগৎহল্লি। লৈবাক্কী লৈহাও ফবা হেনগৎহল্লি। হাপু হানাইশিং থুনা পথ্ম পুমথহনবদা মতেং পাংদুনা লৈহাওগী মশক মওং ফহনবগা লোয়ননা ঈনিল লৈবগী চাং হেনগৎহল্লি। মখোয়দগী থোরকপা হোরমোন মখল কয়ামরুম্না পাম্বীগী শাহৌ ফগৎহল্লি। মখোয়দগী থোরকপা হোরমোন মখল কয়ামরুম্না পাম্বীগী শাহৌ ফগৎহনবগা লোয়ননা ঈশিংগী ঈনিল ৱাৎলবা ফাওবদা খাঙবা ঙম্বগী পাঙ্গল হেনগৎহল্লি। বাইওফর্টিলাইজর মখল খরদগী থাদোরকপা পোৎলমশিংনা কোকফাই অমসুং বেক্তঃরিয়ানা থোকহনবা লায়না মখল খরদগীসু ঙাকথোকপা ঙম্মী।

**বাইও ফর্টিলাইজরগী মখলশিং ঃ**

**১। নাইট্রোজেন পীবা বাইওফর্টিলাইজর ঃ**- নুংশিত্তা লৈবা নাইট্রোজেন্দগী মালেম পুম্বগী ওইনা টোন মিলিয়ন ২৫০ রোমদি চহি খুদিংগী ফাজিল্লি। মসিগী মনুংদা ১৭০ রোমদি লৈবাক অমদি ঈশিংদা লৈবা মিৎনা উবা ঙমদবা পীক্লবা মাইক্রো ওর্গানিজমশিংনা তৌরিবনি। মখোয়গী মনুংদগী য়াম্না কান্নগদবা খল্লগা নাইট্রোজেন পীনবা বাইও-ফর্টিলাইজর শেম্বদা শীজিন্নে। তোঙান তোঙানবা হৱাইশিংদা তোঙান তোঙানবা রাইজোবিয়মশিং হাপ্নে। হৱাইগী মনুং চন্দবা ঈনিল খরা ৱাৎপা মফমদা হৌবা পম্বীশিংদদি "এজোতৌবেক্তঃর" কৌবা বাইও ফর্টিলাইজর শীজিন্নে। ঈশিং তুঙবা মফমদা হৌবা ফৌ, লিমোননচিংবা পাম্বীশিংগীদি 'এজোস্পিরিলম' কৌবা বাইও ফার্টিলাইজর পীজিন্নে।

**২। ফোসফরস পীবা বাইও ফর্টিলাইজর ঃ**- মহৌশানা লৈবাক, ঈশিং, পাম্বী অমসুং শা-ঙাদা ফোসফরস অসি য়াওদুনা লৈজে। অদুবু পাম্বীনা মখোয়বু শীজিন্নবা ঙম্বগী চাং অদুদি লৈবাক্কী অশিন অয়াক্কী মখা য়াম্না পোল্লি। অশীনবা চাং য়াম্না ৱাংবা মফমদদি হাপখিবা হারগী (ফোসফরস) অয়াম্বা শরুক পাম্বীনা চাবা য়াদবা ফিভমদা থুনমক ওলহনখি। মখোয়বু পাম্বীনা চাবা য়ানবা মওংদা পুরক্কদবা জীবশিংবু য়োক্কুনা ফোসফরস পীবা বাইও ফর্টিলাইজরশিং শেম্মী। মখোয়বু "ফোসফোটিকা" হায়রগা খঙনৈ।

৩। অতোপ্পা বাইও ফার্টিলাইজর মখল অমদি কম্পোষ্ট হার শেম্বা থুজিন্নবা অমসুং মগুন হেনগৎহন্নবা হীরমদা শীজিন্নে।

**বাইও ফর্টিলাইজর শীজিন্নবা মওং ঃ**-

**১। মরুদা তোৎপা ঃ**- নাইট্রোজেনগী অমসুং ফোসফরসগী মখল অনিমক চাং মান্ননা য়ানশিন্নরগা নিংথিনা তোৎলবা মতুংদা উরুমদা ঙাইহাক কংহল্লগা খুদক্তা হুনবা।

**২। মরাদা তীংবা ঃ**- হার মখল অনিদু তোঙান তোঙান্না কিলো অমদা ঈশিং লিটর অমগী চাংগা নৈরগা কম্পোষ্ট মপৈ অনিদা তোঙান তোঙান্না চাইশিল্লগা অহিংবা অমা ওমগদবনি। মথংগী অয়ুক্তা মপৈ অনি য়ানশিন্নরগা পাম্বীগী মরানা ফংগদবা মফমদা হাপ্পা য়ারে।

**ৱারোইশিন ঃ**- অসিগুম্বা কান্নরবা বাইও ফর্টিলাইজরশিং অসি রিজনেল রিছার্স সেন্তরনা মণিপুরদসু মরাং কায়না পুথোক্লম্মী। হৌজিকসু কৈথেলদগী লৈবদি ফংলি।

1. Bio-Fertilizer production unit, Medziphema, Nagaland, BASAR Campus.

2. North Eastern Green Technology, Guwahati.

# মশা পূন্নমক ইচন্দা চন্নবা পাম্বীঃ থম্বাল

*ৱায়. রনজনা দেবী অমসুং পি. মিনেস্বার (কাউ)*

শা ষণ য়োকপদা য়ান্নবা শেনফম চংলিবা অসিদা পিজ পিথক তৌনবা মচিঞ্জাক অসিসু অদুমক মনুং চল্লবনি। মশা মউ ফবা শা-ষণ শেমগৎপদা পিজ-পিথক তৌবসি য়াম্না মরু ওই।

***শা-ষণগী অশঙবা চিঞ্জাক***

অশঙ অমান্না শেম্বা শা-ষণগী মচিঞ্জাক অসি য়াম্না চাবদা হাওহল্লি। লোইনা তুমহনবতা নত্তনা মচি ওইবা মচাক শুনা য়াওই। থরাক য়ানবা অশংবা পাম্বীশিং হায়বদি কাউপি, চরোং চুম্বা হৱাই উরি, লুৎমরিল, মারসিম নচিংবসিনা থরাক য়ান্দবা মচিঞ্জাক, পনবা য়াবদি চুজাক, চু, চনাল, অসিদগীসু হেন্না মচি লৈবা চিঞ্জাক ওইগনি।

ফজনা পিজ পিথক তৌগে হায়রবদি থরাক পানবা অমসুং পান্দবা পাম্বীশিংগা য়ানশিন্নরগা শেম্বা চিঞ্জাক অদু পিজবা তাই। থরাক য়ানবা পাম্বীদমক পিজপিথকপা তৌরোইদৌবনি। মদু তৌরবদি মখোঙ পোমখৎপনচিংবগী লায়না নারকপা য়াই। অশংবা ফজনা ককথৎপিরবা অশংবা শজিক মপুং ফারবা শা-ষণশিংদা পিজ পিথক তৌবীগদবনি।

***শা-ষণগী অকংবা চিঞ্জাক***

মচি য়াওবা খরা হন্থজরবসু অকংবা চরু চনাই চাং ৱাংনা শা ষণদা পিজবসু দরকার ওই। অকংবা চরু চনাই অমদি অশংবা মচিঞ্জাকসু পিজবা দরকার ওই। অকংবা ফজনা কুপ্না ককথৎলবা মচিঞ্জাক অদু মপুং ফারবা শা-ষণ অদুদা পিজ পিথক তৌগদবনি।

কুংশিল্লবা নঙশিন্নবা মচিঞ্জাক

কুংশিল্লবা নঙশিন্নবা শেংনা মশক খঙদোক্লবা গেহু অমসুং থরাক মরুশিংগা থাউথীগা অচাবা চাংদা শেমগদবনি। অসিগুম্বা মখলগী চিঞ্জাক অসি শনাও মচাদগীনা মচা পুরবা শা-ষণ অমদি শঙ্গোম শুন্নবা ষণবী অমসুং থবক শুবদা শীজিন্নবা য়ারবা লাবশিংদা পিজ-পিথক তৌবসি য়াম্না কান্নে। মুকশনগী শনাওশিংদা কেজি অমগী চাংদা মচিঞ্জাক পিজগনি অদুগা মপুক লুন্নবা ষণবীশিংদনা মিরোল্লিবা মতমদা নুমিৎ ৬০ নি কেজি ১.৫ দগী ২ ফাওবা পিজবিগনি।

***ধাতুগী ময়াল***

ধাতু য়াওবা মচিঞ্জাক অসি তোঙান তোঙানবা মমিং থোন্দুনা কৈথেলদা ফংই। ফজনা য়ানশিন্দুনা শেম্বা ধাতু য়াওবা মচিঞ্জাকশিং অদু মফম অদুগী ভেটেরিনরী ডাক্তরশিংগা তান্নরগা শীজিন্নগদবনি। মখোম শুল্লিবা ষণবীদনা গ্রাম ৩০-৩৫ গী ধাতু য়ানশিন্নরবা মচিঞ্জাক পিজগনি অদুগা হাত্তম অমদি শঙ্গোম শুমদ্রবা মচা খাইরবা ষণবীশিংদনা গ্রাম ২০-২৫ পিজগনি।

***থুম***

অচা থুম অসিসু মতুম ওইবা মখল শামোর অদু নোংমদা গ্রাম ২০-২৫ ফাওবা চাংদা লেকহল্লগা পিজগনি।

পিজবগী থৌওংশিং

অশঙবা অমসুং অকংবা মচিঞ্জাক অদু মাঙহন্দনা কক্কদবনি।

মচিঞ্জাক অদুদা য়ুরিয়া অচাবা চাংদা হাপ্লগা চিঞ্জাক্কী মচি ওইবা হেনগৎহনগনি (হাপকদবা চাংদি মখাদা পিরি)। অসুম তৌরবদি মচিঞ্জাক অদুগী কুংশিল্লকপা নংশিল্লকপগী চাং (কনসেত্রেসন) হন্থহনবা ঙমগনি।

-অশঙবা শজিক ফংলক্ত্রবা মতমদা নংশিল্লবা মখলগী মচিঞ্জাক হাপ্পগী চাং খরমখৈদি হেনগৎহনগনি।

-নঙশিল্লবা মচিঞ্জাক অদু শীজিন্নবদা শেল য়াম্না চংবা তারবদি হন্থহন্নবা য়ুরিয়া, চিনি অঙাংবা অমদি ধাতুনা শেম্বা মতুম ওইবা পোৎশক অদু মরৈনা লেকহনগনি (মশিংগী চাং মখাদা পিরি)

-অচা থুম অমদি ধাতুগী ময়ালশিংগা তোৎশিল্লগা নোংমদা শা অমদা গ্রাম ৩০ গী চাংদা পিজবিগনি।

-য়ানশিল্লগা কুংশিল্লক্লবা নংশিল্লক্লবা মচিঞ্জাক অদু কংনা থমগদবনি। ঈশিং মনিল য়াম্না য়াওরবদি কোকফাই কাখৎলক্কনি।

***অকংবা মচিঞ্জাকতমক য়ুরিয়াগা তোৎশিন্নগনি।***

***কেজি ১০০ গী অকংবা মচিঞ্জাক্তা ধাতুগী চাং***

| | |
|---|---|
| – | য়ুরিয়া (১.৫ কেজি) |
| – | অচা থুম (৫০০ গ্রাম) |
| – | য়ানশিন্নবা ধাতু (৫০০ গ্রাম) |
| – | ভিতাব্লেন্দ (২০ গ্রাম) |
| – | ঈশিং (১০ লিটর) |

অচা থুম, য়ুরিয়া, ধাতু ময়াল অমসুং ভিতাব্লেন্দ অদু ঈশিংদা তুমহল্লগা উগী খাবৈ অমনা হন্না হন্না ওৎকদবনি। স্ক্যার মিটর ৫x১০ গী পাক চাউবা মফম অমদা অপা অথা চাং মান্ননা শেন্নগা শেন্নিবা মচিঞ্জাক অদু ফৌদোক্কনি।

শেমখ্রবা অকংবা মচিঞ্জাক অদুদা য়ুরিয়া সোলুসন অদুগী তঙ্খাই অমা অকংবা মচিঞ্জাক অদুদা পেরে নৎত্রগা স্পেয়ার অমনা কাপ্তুনা চোৎহনগনি। মিনিৎ ৩০ রোমগী মতুংদা মচিঞ্জাক অদু মথক মখা ওহ্নোক্লগা লেমহৌরিবা য়ুরিয়াগী ময়াল অদু য়ানশিনগদবনি।

কংলবা মতম অদুদা মদু শা-ষণ অদুদা পিজবা য়ারে। প্লাস্তীক্কী পাত্র অমদা হাপ্লগা মখুম চেৎনা খুমজিল্লগা থম্লবদি ফরমেন (পত্থরকপা) তৌরক্কনি। ফরমেন (পত্থরবা) তৌরবা মচিঞ্জাক্তি পাম্না চানৈ।

পোৎশক অসি চয়োল ২-৩ গী মনুংদা শীজিন্নগদবনি। শনাওগুম্বদদি পিজরোইদৌবনি। থা ৬ হেল্লবা শন্নাওশিংদা পিজবদি য়াগনি অদুগা থা ৪ শুরবা শন্নাওদসু পিজবদা কাইদে।

***য়ুরিয়া-চিনি অঙাংবা ধাতু লেকপা***

য়ুরিয়া, চিনি অঙাংবা ধাতু UMM অসি লেকহনবদা অকাইবা লৈতে। য়ুরিয়ানা মরম ওইদুনা হু চেল্লকপগী ৱাফম লৈরোই। মপুম মরৈ ফারবা ষণ মঅসুং ইরোইদা গ্রাম ৩০০-৫০০ ফাওবা লেকহল্লগা পিজবগা লোয়ননা অতৈ অতৈ মহৈ মরোংগী অচা অথকসু পিজবদা করিশু কাইদে।

শা ষণশিংবু মশা চাউখৎনবদা কুংশিন্না শেমখিবা চিঞ্জাক্কী (comcemtrate) চাং চাদা ২০-৩০ কী মহুৎ UMM লেকহনবনা মহুৎ শিনবা য়াই। UMM Lick (লেকহনবা) অসি চাউখৎলক্লিবা মচিঞ্জাক মরাং কাইনা চাদবা শাশিংদা পিজবদা থোইদোক্লা কান্নবা পিবতা নত্তনা চাবোকসু ঙনখৎহল্লকপা ঙম্মী।

***কেজি ১০ গী য়ুরিয়া-চিনি অঙাংবা-ধাতু লিক*** (mineral lick) ***য়ানশিন্নরগা শেম্বদা চংগদবা ধাতুগী চাং ঃ-***

| | |
|---|---|
| – | চিনি অঙাংবা (কেজি ৪) |
| – | য়ুরিয়া (কেজি অমগা ২০০ গ্রাম) |
| – | অচা থুম (গ্রাম ৫০০) |
| – | য়ানশিল্লবা ধাতু (গ্রাম ৬০০) |
| – | বেনতোনাইৎ (গ্রাম ৪০০) |
| – | লৈপাক হৱাইগী কেক (মতুম) (কেজি ১ গ্রাম ৫০০) |
| – | লশিং মরু কেক (মতুম) (কেজি ১) |
| – | কেলসিয়ম ওক্সাইদ (গ্রাম ৮০০) |

লৈপাক হৱাই কেক অমসুং লশিং মরুগী য়ানশিল্লগা শেম্বা চিঞ্জাক্কী মহুত্তা মমল হোংবা খুল্লক লৈরক্তা ফংবা কেক অমসুং চিঞ্জাক্লসু মহুৎ শিনবা য়াই।

য়ুরিয়াগা অচা থুমগা য়ানশিন্নবসি য়াম্না নানবা তরু তরুবা লৈমাইদা য়ানশিন্নগদবনি। অদুগী তুংদা বাল্টিন অমদা চিনি অঙাংবগা য়ানশিন্নগনি। অদুগী তুংদা ধাতু ময়াল, কেলসিয়ম ওক্সাইদ, বেনটোলাইট, মকুপ ওইহল্লবা লৈপাক হৱাই মরু, লশিং মরুগী কেক অসিশিং অসি তরু তনানবা লৈমাই অমদা মথং মনাও নাইনা য়ানশিন্নগনি।

মকুপ তারবা চিনি অঙাংবা, য়ুরিয়া অমসুং অচা থুম অসি তপ্না তপ্না বাল্টিন অমদা হাপচিল্লগা মপুং ফানা তোৎখায়গদবনি। অসিগুম্লবা নঙ নঙ লাউবা পোৎশক অসি পোলিথিন্না মনুংগী কুয়োম ওইবা উগী নৎত্রগা প্লাইগী নৎত্রগা চবৌ চবৌ লাউবা য়োৎকী উপু অমদা হৈজিনগনি। লৈনা লেকপা য়াবা পোৎশক অসি শেম্বদা পুং ২৪ দি চংগনি।

কিলোগ্রাম অমসি শা অদুগী নুমিৎ ২-৩ গী মচিঞ্জাক ওইবা কোন্নরগনি। হায়রিবা UMM Lick অসি নোং য়ৈহনবা য়াদে। নৌরিবা শাশিংদদি য়ারিবমখৈ পিজরোইদৌবনি। শনাও থা ৬ হেনবগী মথক অমসুং য়াওনা থা ৪ শুরবা মতমদা পিজগনি।